## ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি) :
সান ফ্রান্সিকোদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোরোনাভাইরসকী কেস অমত্তা লৈত্রিবা ওইরবসু সিটি অসিগী ওথোরিটিশিংনা ভাইরস অসিগা মরী লৈননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লোকেল ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে। যু এস ওফিসলশিংনা অমেরিকানশিংদা কোরোনাভাইরসতগী চেকশিন্নবা আপিল তৌখিবগা ইরোয়ননা সিটি ওথোরিটিশিংনা খোঙথাং অসি লৌখৎখিবনি।

## য়ুহা হাখ্রে

জকার্তা, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি) :
ইন্দোনেসিয়াগী নোংপোক থংবা মলুকু প্রোভিন্সতা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মেগ্নিট্যুদ ৬.৭ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে হায়না মেটিওরোলোজি অমসুং জিওফিজিক্স এজেন্সিনা ফোঙদোকখ্রে।
য়ুহা হাবদুনা মরম ওইদুনা সুনামি থোক্লিংঙাইদি ওইদে হায়নসু এজেন্সি অসিনা ফোঙদোকখি। সমুদ্র খোঙনুং মখাদা কিলোমিটর ২৮ লুথনা থোকখিবা য়ুহা হাবগী থৌদোক অদুনা পোভিন্স অদুদা পাক্তক্লা মীপাইবা পোকহনখি হায়না নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এজেন্সিগী স্পোক্সমেন্না ফোঙদোকখি।

## লিবিয়াদা পার্মিনেন্ট সীজফায়র চৎনহন্নবা অরাব লিগনা অমুক হন্না আপিল তৌখ্রে



কাইরো, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি) :
লিবিয়াদা তুং কোয়না মিলিটরি ওপরেসনশিং মরী লৈনবা খুদিংমক্তা লেপ্পনবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লিগ ওফ অরাব ষ্টেটসনা অমুক হন্না আপিল তৌখ্রে।
পান-অরাব ওর্গনাইজেসন অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা জিনিভাদা নোংমাইজিং নুমিত্তা লোইশিনখিবা মীহুৎ ৫/৫না শরুক য়াখিবা লিবিয়ন জোইন্ট মিলিটরি কম্মিসন (জে এম সী)গী অনীশুবা রাওন্দগী ৱারী শানবদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমখিববু থাগৎখি।
লান্না মরম ওইদুনা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রবা মীওইশিং অমুক হন্না হল্লকপদা খুদোংচাহনগদবা দ্রাফট সীজফায়র এগ্রীমেন্ট অমা য়েংথিনরিবা লিবিয়ন পার্টিশিংনা পুথোক্লে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্স সপোর্ট মিসন ইন লিবিয়া (য়ু এন এস এম আই এল)না লাউথোকখিবা ৱাফম্সু অরাব লিগনা তরাম্না ওকখি।
লিগ অসিনা মরী লৈনবা পার্টিশিংদা দ্রাফট অদুবু য়াম্না থুনা খন্নবা হৌদুনা মদুবু মপুং ফানা শৌগৎনবা অমদি সীজফায়র চৎনহনবগা লোয়ননা মোনিটর তৌনবা মপুং ফাবা অমদি তুং কোইনা চৎনগদবা এরেজমেন্টশিংদা য়াননবা তকশিনখি।
য়ু এননা শৌগৎপা গভর্নমেন্ট অমসুং লিবিয়াগী ইষ্টর্ন বেজ আর্মিনা সিভিলিয়নশিং মখোয় মখোয়গী এরিয়াশিংদা তেত্ত-কায়দনা হল্লকপদা খুদোংচাহনগদবা দ্রাফট সীজফায়র এগ্রীমেন্ট অমা শেম শারে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ু এন এস এম আই এলনা লাউথোকখিবনি।
এনাউন্সমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না য়ু এন এস এম আই এল অমসুং জে এম সীগী মীৎয়েং মখাদা লৈবা জোইন্ট মোনিটরিং মেকানিজম ইমপ্লিমেন্ট তৌবগা লোয়ননা সিভিলিয়নশিং ময়ুমদা হল্লকপা য়াহনগদবনি। য়ু এন এস এম আই এলনা মখা তানা রাইভেল পার্টিশিংদা হৌজিক চৎনরিবা ট্রুপ মপুং ফানা ঙাক্লবা অমসুং মীচম মীয়াম অমসুং লন-থুমশিং লোয়ননা মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ঙাক শেন্নবসু নৌহৌননা আপিল তৌখি।
কেপিটেল ত্রিপোলি পায়শিন্নবা অমদি য়ু এন্না শৌগৎপা গভর্নমেন্ট চিংথুনবগী পান্দমদা ইষ্টর্ন বেজ আর্মিনা হৌখিবা কুমজা ২০১৮ এপ্রিলদগী কেপিটেল সিটি অমদি অকোয়বদা মিলিটরি কেম্পেয়ন ১ চথরকখিবনি।

## ইন্দিয়ন ওরিজিন এম পি সুয়েলা য়ু কেগী এটোর্নি জেনরেল ওইনা ৱাশক লৌখ্রে





লন্দন, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়াদগী হৌখিবা বৃটিশ এম পি সুয়েলা ব্রেবরমেন হৌনবী মতুং ইন্না লন্দনগী রোয়েল কোর্ট ওফ জষ্টিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা য়ু কেগী অনৌবা এটোর্নি জেনরেল ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।
মহাক থা অসিগী অঙনবদা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা রিসফল তৌখিবা কেবিনেটতা ফম অসিগীদমক্তা খনখিবনি। মহাক কঞ্জার্ভেটিভ গভর্নমেন্ট অমনা হাপ্পা অহানবা নুপী এটোর্নি জেনরেলনি।
বরিষ্টর অমা অমসুং কেমব্রিজ য়ুনিভর্সিটিগী লো গ্রেজ্যুয়েট ওইরিবা মশাগী চহী ৩৯ শুরবা মিনিষ্টর অসি পব্লিক লো অমসুং জুদিসল রিভিয়ুদা স্পেসলাইজ তৌরকখি। মহাক্না খ্বাইদগী মরু ওইনা পায়খৎকদবা থবক্তি জষ্টিসতা মীয়ামগী থাজবা অমুক হন্না লৈহন্নবা হোৎনবনি হায়না সুয়েলানা ফোঙদোকখি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা ব্রেভর্মেননা মহাকপু এটোর্নি জেনরেল ওইনা ৱাশক লৌহল্লিবসি মহাকপু চাওনা ইকাইখুম্নবিবনি হায়খি। কুমজা ২০১৫ দগী সাউথ-ইষ্ট ইংলন্দদা লৈবা ফারেহাম রিপ্রজেন্ট তৌরিবা এম পি অসি ব্রেক্সিট থৱায় য়াওনা শৌগৎখি হায়রি।

## ভিয়েটনামদা বর্দ ফ্লু শন্দোরকপদগী য়েন ১০০,০০০ হেন্না হাৎখ্রে



হনোই, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি) :
ভিয়েটনামগী এ/ঐচ-৫ এন ৬ অমসুং এ/ঐচ-৫ এন ১ বর্দ ফ্লু শন্দোরল্লবা প্রোভিন্স অমসুং সিটি ১০ দা য়েন-ঙানু লাখ অমা হেন্না হাৎখ্রে হায়না ভিয়েটনাম ন্যুজ এজেন্সিনা লৈবাক অসিগী মিনিষ্ট্রি এগ্রীকলচর এন্দ রুরেল দিভলপমেন্টকী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখ্রে।
ভিয়েটনামিজ মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রীকলচর এন্দ রুরেল দিভলপমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা, জন্যুৱারিগী অঙনবা অমসুং ফেব্রুৱারি ২৪ গী মরক্তা ভিয়েটনামদা বর্দ ফ্লু ৩৪ রক শন্দোরক্তুনা য়েন-ঙানু ১০০,০০০ হেন্না হাৎখ্রে। প্রোভিন্স অমসুং সিটি ১০- হনোই, বাক নিন, থানহুৱা, ঙহে এন, ত্রা ভিন, থাই ভিন, ভিন দুওং, নিন ভিন, হাই ফোং অমসুং ক্বাং নিন সিটিশিংদা শন্দোখিবা লাইচৎশিং অদুগী মনুংদা ২৯ দি এ/ঐচ৫এন৬কী কেসশিংনি অদুগা অতৈ মঙানা এ/ঐচ৫এন১গী কেসশিংনি।
সিটিশিং অদুগী মনুংদা ক্বাং নিননা ইকোন কোনবা ইনফেক্সনগী মতমদগী পারগা নুমিৎ ২১ নিগী মতম হৌখিদুনা হৌজিক মফম অদুদা বর্দ ফ্লুগী লাইচৎ লৈত্রে হায়না লাউথোকখ্রে হায়রি।
জন্যুৱারি অমসুং ফেব্রুৱারি ২৩ গী মরক্তা অহেনবা কম্যুন ২৪ দা অফ্রিকান স্বাইন ফিভর শন্দোরকপদগী ওক ১৭,১৩৩ হাৎখিবগা লোয়ননা লাইচৎ অদুনা শোকহনখিবা কম্যুনশিং অমসুং প্রোভিন্সশিং অমদি সিটিশিংগী অপুনবা মশিং মথংশিংনা ৩২৫ অমসুং ২৯ য়ৌখি।
চৈরকসিদা প্রোভিন্স ৯ দা ফুট-এন্দ-মাউঠ দিজিজ শন্দোরকপদগী পুন্না ষন ২,৮৩৩ ইনফেক্সন লৈবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ষন ৮০ হেন্না শিখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল পল্লদুনা ভিয়েটনামি ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।
ভিয়েটনামদা শা-ষনশিংগী মশিং শীংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎলকপগী ফিভম অমা লৈরিঙৈগা ইরোয়ননা লায়না খরা শন্দোরকপদগী ওক-ষননচিংবা শাশিং শিরিবসি চাইথোক্লগা লৈবা ফার্ম মচা খরদা থোকপনি হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তারি।

## সাউথ কোরিয়াদা য়ু এস লান্মী অমা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে

সিওল, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি) :
সাউথ কোরিয়াদা কোরোনাভাইরস লাইচৎনা খ্বাইদগী শাথিবা মওংদা শোকহল্লিবা চর্চ অমগী মেম্বর ২০০,০০০ হেন্না হেল্থ ওথোরিটিশিংনা টেষ্ট তৌনবা শেম শারকখিবগা লোয়ননা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লৈবাক অসিদা য়ু এস লান্মী অমা য়াওনা অনৌবা কোরোনাভাইরসকী কেস ২৮৪ রিপোর্ট তৌখ্রে।
অনৌবা কেসশিং অসিগা লোয়ননা অপুনবা টেলি ১,২৬১ য়ৌখ্রে। গভর্নমেন্টনা পাক শন্না টেষ্ট পাঙথোরকপদা ভাইরসকী কেস মশিং ৱাংখৎলক্কনি হায়না থাজনরি। অনৌবা কেসশিং অদুগী মনুংদগী ১৩৪ দি সাউথ কোরিয়াগী ওইনা লাইচৎ অদুগা মরী লৈনরিবা সিনচোঞ্জি চর্চ ওফ জেজসকী ব্রাঞ্চ অমা লৈরিবা গেগু সিটিদগী রিপোর্ট তৌরকখিবনি হায়না কোরিয়া সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (কে সী দি সী পি)না ফোঙদোকখি।
য়ু এস মিলিটরিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা রিপোর্ট তৌখিবা কোরোনাভাইরসকী অহানবা কেস অদু গেগুদগী কিলোমিটর ২০ লোম লাপ্না লৈবা কেম্পস কেরোলদা লৈবা বেজদা লৈবা মশাগী চহী ২৩ শুরবা লান্মী অমদা থেংনখিবনি। কেম্প অদু ভাইরস অসিগী লাইচৎ য়ৌখ্রবা দিসেবিলিটি সেন্টর অমগসু নক্লে হায়রি।



য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ফোর্সেস কোরিয়া (য়ু এস এফ কে)গী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না লান্মী অদু মহাক্কী বেজকী মপানদা লৈবা ময়ুমদা তোঙান্না লৈজদুনা ময়ামগা তোৎন-শন্নখিদ্রে। অতৈ মীওইশিং ভাইরস অসিদা এক্সপোজ তৌখিবা লৈব্রা নৎত্রগা লৈতব্রা হায়বদু লেপথোক্লবগীদমক্তা কে সী দি সী অমসুং য়ু এস এফ কে হেল্থ প্রোফেস্নেলশিংনা শন্নখিবা মীওইশিং খোঙ্গুল লীবগী থবক চথরি হায়না পল্লদুনা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, চাংয়েং অদু হন্দক্তা গেগুদা লৈবা বেজ অমা ওইরিবা কেম্প ৱক্করদসু চৎলুবা লৈখি। কেম্প ৱাক্কর য়াওনা গেগুগী মনাক্তা লৈবা বেজ কয়াদা চৎলুবা লৈখিদ্রবা হান্নগী য়ু এস লান্মী অমগী লোইনবীসু নিংথৌকাবা নুমিত্তা ভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি।

## কোল্ড ৱারগী ৱাখল্লোন থাদোক্লবা চাইনানা য়ু এসতা তকশিনখ্রে



বৈজিং, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি) :
চাইনানা য়ু এসতা চৎনদ্রবা কোল্ড ৱারগী ৱাখল্লোন থাদোক্লবা অমসুং সাইন্স, টেক্নোলোজি অমসুং কলচরগী লমশিংদা লৈবাক অনীনা অমগা অমগা কোওপরেসন পীনবা অমদি এক্সচেঞ্জ তৌনবগী থৌরাংশিং ঙাক শেন্নবা তকশিনখ্রে।
মখা তানা চাইনানা য়ু এসতা লৈবাক অনীগী মরক্তা অমগা অমগা থাজনবা অমদি কোওপরেসন পীনবা হেনগৎহন্নবা অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎলক্লবসু তকশিনখ্রে। চাইনানা লৈবাক অসিগী মিলিটরি অমসুং টেক্নোলোজিকেল কম্পিটিটিভনেস হেনগৎহন্নবা অমেরিকান য়ুনিভর্সিটিশিংগী এক্সপর্টিজ শীজিন্নৈ হায়না য়ু এস দিফেন্স অমসুং হেল্থ ওফিসলশিংনা তৌখিবা ক্লেমশিংগী পাউখুম ওইনা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন ঝাও লিজিয়ান্না ৱাফমশিং অসি প্রেস ব্রিফিং অমদা পোঙদোকখিবনি।
ঝাওনা হায়খি মদুদি, চাইনাগী সাইন্টিফিক অমসুং টেক্নোলোজিগী ওইবা এচিভমেন্টশিং অসি কন্না শু নোম্বা অমদি য়াম্লবা ইন্টলিকচ্যুয়লশিং য়াওনা চাইনিজ মীয়ামগী ৱাখল লৌশিংদগী লাকখিবনি। কুমজা ২০০৯ দগী ২০১৯ ফাওবদা চাইনিজ সাইন্টিষ্টশিংনা ইন্টরনেসনল পেপর মিলিয়ন ২.৬ ফোঙদুনা লৈবাক অসি মালেমদা অনীশুবা রেঙ্কতা লৈরে হায়বসি ষ্টেটেটিক্সনা উৎখ্রে। অসুম্না চাইনাগী এচিভমেন্টশিং অসি হুরানবগী থৌওংশিং চথরগা লাকখিবা নত্তে।
নেসনল সিক্যুরিটিগী মিংদা য়ু এস ওফিসল খরনা চাইনানা য়ু এসকী সাইন্টিফিক রিছার্স এচিভমেন্টশিং হুরাল্লি হায়বা ৱাফম অমা শেমজিন-শাজিল্লে হায়না পল্লদুনা ঝাওনা হায়খি মদুদি, নাকল অনীমক্লা সাইন্টিফিক অমসুং টেক্নোলোজিকেল এক্সচেঞ্জশিং অমদি কোওপরেসন হেনগৎহনবা হায়বসি লৈবাক অনীমক্কী অফবা ওইগদবা ৱাফম্নি।
মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংনা তৌনবগুম চাইনানা খোঙথাং কয়া লৌখৎলিবসি লৈবাক অসিগা অতৈ লৈবাকশিংগী মরক্তা টেলেন্ট সিয়রিং হেনগৎহন্নবা অমদি ইন্টরনেসনল সাইন্টিফিক অমসুং টেক্নোলোজিকেল কোওপরেসন হেনগৎহনবগী থবকশিং পুক্নিং থৌগৎপগী পান্দমদনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## সোসল মিদিয়াদা পোলিটিকেল ওপোনেন্টশিং টার্গেট তৌবগী কেম্পেয়ন চথে হায়বা ৱাফম য়াখিদ্রে

বেঙ্কোক, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি) :
ফেস বুক অমসু ট্বিটরগী ফেক একাউন্টশিংদগী ওনলাইন প্রোপেগন্দা কেম্পেয়নশিং চথদুনা মিলিটরিনা পোলিটিকেল ওপোনেন্টশিং অমসুং রাইটস এক্তিভিষ্টশিং টার্গেট তৌই হায়বা ওপোজিসন্না পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখিবা ৱাফম থাইলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং আর্মিনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।
ওপোজিসনগী মরাল শীবা ৱাফমশিং অদুনা খোইরাং খোশাওহল্লবা প্রাইম মিনিষ্টর প্রয়ুঠ চান-ওচা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অকনবা পার্লিয়ামেন্টরি দিবেট অদুদগী ৱক্কআউট তৌখি।
কোর্টনা থিংজিনখ্রবা ওপোজিসন ফ্যুচর ফোরৱার্দ পার্টিগী লোমেকর অমনা প্রাইম মিনিষ্টর অমদি আর্মিবু মরাল শীবা ৱাফমশিং অদুবু শৌগৎপা দোক্যুমেন্ট খরা পুথোরকখিবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর দিবেটতগী ৱক্কআউট তৌখিবনি।
দোক্যুমেন্টশিং অদুগী মতাংদা প্রয়ুঠনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, অসিগুম্বা ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা ঐহাক্না খঙবা অমত্তা লৈতে অমদি অসিগুম্বা পোলিসি ঐঙোন্দা লৈতে। ওপোজিসনগী ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা ঐখোয়না থিজিনগনি অদুবু পোলিসি অসিমক্তি লৈতে হায়না প্রয়ুঠনা মখা তাখি।
লোমেকর ৱিরোজ লাখানাদিসোর্ন পার্লিয়ামেন্টতা দোক্যুমেন্টশিং অদুনা প্রয়ুঠগী গভর্নমেন্টনা ওপোনেন্টশিংবু হরাসমেন পীনবা মিলিটরিনা সোসল মিদিয়াদা চথরিবা কেম্পেয়ন ফন্দং তৌই হায়বসি উৎলি হায়না ফোঙদোকখিবনি।
আর্মি পর্সনেলশিংনা ফেক সোসল মিদিয়া একাউন্টশিং শেম্লগা গভর্নমেন্টকী থবক থৌরাংশিং থাগৎনবা অমদি ওপোনেন্টশিংবুনা মীংচৎ থিহন্নবা ওর্দর তৌখিবা মিলিটরিদগী লিক ওইরকখিবনি হায়বা মেমো অনী লোমেকর অসিনা পাথোকখি। আর্মিনা ইফোং ফোংনা থবক তৌই অমসুং অবতারশিং শীজিন্নবা লৈতে হায়না সেকেন্দ আর্মি এরিয়া কম্মান্দগী লেফটনেন্ট জেনরেল থানিয়া কিয়াটসার্ননা মরু ওইবা পাউ চে অমদা ফোঙদোকখি।



## সহেল লৈবাকশিংনা টেররিজম থেংনবদা ইটালিনা মতেং পাংগনি



রোম, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি) :
সহেল লৈবাকশিংগী টেররিজমগী মায়োক্তা চঙশিনবা লাঞ্জং অমদি মখোয়না শেল-থুমগী লমদা চাওখৎনবা হোৎনরিবা অসিবু ইটালিনা শৌগৎলি হায়না ইটালিগী দেপ্যুটি মিনিষ্টর ইম্মান্যুএলা দেল রেনা ফোঙদোকখ্রে।
সিক্যুরিটি অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী লমশিংদা নখোয়না শীংনবা কয়া থেংননবা হোৎনরিবসিদা ইটালিনা নখোয়গী মায়কৈদা লেপ্পি হায়না মহাক্না মাউরিটেনিয়াগী খোঙচৎ অমদা ফোঙদোকখি।
মখা তারদুনা ইটালিয়ন দেপ্যুটি মিনিষ্টর অসিনা হায়খি মদুদি, শীংনবশিং অসি ঐখোয়না পুম্নমক্কী খুদোংচাবা অমনি হায়না লৌবসু য়াই। জি ৫ সিক্যুরিটি এলাইয়ন্স শৌগৎপা ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা সহেল এলাইয়ন্সকী অহানবা জেনরেল এসেমব্লিদা শরুক য়ারদুনা দেল রেনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।
পনবা য়াবদি, ইটালিসু সহেল এলাইয়ন্সকী মেম্বর অমনি। মহাক্না বুর্কিনা ফাসো, চাদ, মালি, মৌরিটেনিয়া অমসুং নাইজরনা পুল্লগা শেম্বা জি ৫ সহেলগী সম্মিট অমদসু শরুক য়াখি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মহাক্না বুকিনা ফাসোগী প্রসিদেন্ট রোক মার্ক কাবোরেগা বাইলেটেরেল মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মঙোন্দা এক্সট্রিমিষ্টশিংনা মহাক্কী লৈবাক্তা হাৎ-তুপ্পা অমদি মাঙহন-তাকহনবগী থৌওং কয়া চথরিবদুগা মরী লৈননা ইটালিনা মহাক্কী লৈবাক্কীদমক্তা লেপ্পি হায়বসি খঙহনখি।
সহেলদা মরা চেৎপা ফিভম অমা লাকহনবদা বুর্কিনা ফাসোগী থৌদাং য়াম্না মরু ওই হায়না ইটালিনা থাজৈ হায়বা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা দেল রেনা হন্দক্তা লৈবাক অনীগী মরক্তা পুরকখিবা দিফেন্স কোওপরেসন এগ্রীমেন্ট য়াম্না পেন্নিংঙাই ওই হায়না ফোঙদোকখি অমদি এগ্রীমেন্ট অদুনা বোর্দর কন্ট্রোলগী থবকশিংগী ট্রেনিংদা নাকল অনীনা কোওপরেসন পীনবা হেনগৎহল্লগনি হায়খি।

## ইরানদা কোরোনাভাইরসনা শিহনবা ১৯ শুরে, ইনফেক্সন্না ১৩৯ য়ৌখ্রে

দুবাই, ফেব্রুৱারি ২৬ (এজেন্সি) :
ইরানদা কোরোনাভাইরসতগী মীওই ১৯ শিখ্রে অমসুং হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৩৯ ভাইরস অসিগী ইনফেক্সন লৈরে হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন কিয়ানুজ জহানপুরনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ষ্টেট টিভিদা লাউথোকখ্রে।
হৌখিবা চহীগী অথেংবা শরুক্তা চাইনাদগী শন্দোকপা হৌখিবা কোরোনাভাইরসনা লৈবাক অসিগী ৱাংমদা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহল্লিবা লৈবাকসি ইরান্না ওইরি। ইরানগী ওফিসলশিংনা হৌখিবা চয়োলদা ইস্লামিক রিপব্লিক অসিদা কোরানাভাইরসনা মরম ওইদুনা অহানবা ওইনা লৈবাক অসিদা থোকখিবা মীশিশিং অমদি ইনফেক্সনশিং লাউথোকখি।
অতেনবা মতমগী মনুংদা ইরানদা লায়না অসিনা মী শিহনবগী চাং ৱাংবগী অমদি কা হেন্না থুনা লায়না শন্দোকপগী ফিভমগা মরী লৈননা ইরানিয়নশিংনা ওথোরিটিশিংবু ওনলাইনদা ক্রিতিসাইজ তৌনখি। মীয়াম্না ইরানিয়ন ওথোরিটিশিংবু লাইচৎ অসিবু য়ারিমখৈ কুপশিন্নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীখি। ওফিসলশিংনদি ৱাফম অসিবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।



ইরানগী হান্নদগী ফিভম শোক্তুনা লৈরবা শেল-থুমগী ফিভম মখা তানা হেন্না শোকচিনহনগদৌরিবা ভাইরস অসিগী অকিবা লৈবনা মরম ওইদুনা ইস্লামিক রিপব্লিক অসিগা য়ুল্লোন্নরিবা লৈবাক কয়ানা মখোয়গী বোর্দরশিং থিংজিনখিবগা লোয়ননা ইরানদগী ফ্লাইটশিং পাইরকপদসু অথিংবা থমখ্রবনি।
কুৱেট, ইরাক, বাহরেন, ওমান, লেবনন, য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটস অমসুং অফঘানিষ্টানদা রিপোর্ট তৌখিবা কোরোনাভাইরসকী কেস পুম্নমক ইরানদা চৎলুবা মীওইশিং চেন্নরিবনি। কোরোনাভাইরসনা ইরানগী লল্লোন ইতিক্কী থবক পুম্নমক লেপহনগদবা য়েক্লবগী খুৎলায় অমা ওইহনবা য়ারোই হায়না প্রসিদেন্ট রৌহানিনা ফোঙদোকখি।